# ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন
# ষ্টেট পুন্নমক্কী অয়াবা মথৌ তাই: কমল নাথ

**ভোপাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ইন্দিয়াদা 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হায়বসি লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা পাস তৌখিবা এমেন্দমেন্টশিং খক্তগী খুত্থাংদা য়ারোই, তৌইগুম্বসুং ষ্টেট পুন্নমক্কী অয়াবা লৌবা মথৌ তাই হায়না ঙসি মধ্য প্রদেশকী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কমল নাথনা ফোঙদোকখ্রে।

নীমুচ দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কমল নাথনা ফোঙদোকখিবদা হরিয়ানা অমসুং মহারাষ্ট্রগুম্বা বি জে পিনা পানবা ষ্টেটশিংদা মখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মখোয়গী এসেমব্লিশিং মুথৎপগী মতাংদা কেবিনেটতা প্রপোজেল অমা পাস তৌবসু ঙমগনি। মখোয়না মধ্য প্রদেশ, ছতিসগর, রাজস্থান, টেলঙ্গানা অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদা লোক সভা অমসুং এসেমব্লি মীখলশিং মতম অমত্তদা পাঙথোকপা পাম্লিব্রা হায়বদু ঐখোয়না য়েংবা তারি।

'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াগদৌরিব্রা হায়বসি য়েংশিন্নবগীদমক্তা মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা লুচিংবা কম্মিটি অমা শেমখ্রবনি। গভর্ণমেন্টনা সেপ্টেম্বর ১৮ অমসুং ২২ গী মরক্তা অখন্নবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন অমা পাঙথোক্লবসু কৌখ্রবনি। সেসন অদুগী এজেন্দা হৌজিক ফোঙদোকপা লৈত্রি।

কুমজা ২০২৩ গী নবেম্বর-দিসেম্বরদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোকপগা লোয়ননা মদুগী মতুং মথং চহীগী মে-জুনদা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লদৌরিবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রহ্লাদ জোসিনা 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' গী আদিয়া অসি খন্ননবা কম্মিটি অমা শেম্লে হায়রদুনা মসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা তোঙান তোঙানবা লেভেলশিংদা খন্ন-নৈনগদবা ওইবনা কনামত্তনা কিনিংঙাই ওইদে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

জয়পুরদা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর জোসিনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অদুগী রিপোর্টতা ৱাফম অসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা নৈন-ৱারোলশিং য়াওগনি। মদু পব্লিক দোমেন্টদা খন্নগনি অমদি পার্লিয়ামেন্টতা লাকপা মতমদা মদুদসু খন্নগনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা কিনিংঙাই মরম অমত্তা লৈতে। পার্লিয়ামেন্ট মপুং মরৈ ফারবনি। হিরম অসিগী মতাংদা হাউস অনীমক্তা খন্নগনি। ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসিগী মমানি হায়নরিবনি।

লৈবাক অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি। ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসিদা তাঙ্কক নাইনা মপুং মরৈ ফারকপগী ফিভম উবা ফঙলি। ১২ শুবা চহী চাদগী কর্নাটকাদা দেমোক্রেটিক সিষ্টেম লৈরকখ্রবনি। ঐ অসি অদুগুম্বা মফম কর্নাটকাদগীনি। দেমোক্রেসিদা লৈবাক্কী ফনবনি হায়বা অনৌবা হিরম অমা লৈরবদি মদু খন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয়না 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' অসি হয়েংদগী ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়খিবা লৈতে। লৈবাক অসিদা লোক সভা অমসুং বিধান সভাগী মীখলশিং পুন্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ৱাফম অসিদা চিংনবগী মওংদা মহাক্লা কুমজা ১৯৬৩ দগী ১৯৬৭ ফাওবা লোক সভা অমসুং বিধান সভাগী মীখল পুন্না পাঙথোক্লম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক থাঙ্গৈশেংবদি লৈবাক অসিদা লোক সভা অমসুং বিধান সভা মীখলশিং মতম অমত্তদা পাঙথোকখিবসি কুমজা ১৯৫১-৫২ দগী ১৯৬৭কী মনুংদনি হায়খি।



# ইন্দিয়ানা থৌবু ওইদুনা মথং থাদা জি ২০ লৈবাকশিংগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরশিংগী মীফম পাঙথোক্লগনি

**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** মালেমগী ওইনা পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরমশিংগী পোলিটিকেল ঙাক্লৌ শাগৎনবা হোৎনরকপা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়ানা থৌবু ওইদুনা মথং থাদা কেপিটেল দেল্লিদা লৈবা অনৌবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংদা জি ২০ লৈবাকশিংগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরশিংগী মীফম পাঙথোক্লগনি।

জি ২০ ইন্দিয়াগী স্পেসল সেক্রেটরি মুক্তেস পরদেসিনা হিরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা জি-২০ মীটিং অসি ওক্তোবর ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি অমসুং জি ২০ লৈবাকশিং অমসুং ইনভাইট তৌখিবা লৈবাকশিংগী প্রিসাইদিং ওফিসরশিংনা খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াগনি।

পরদেসিনা মখা তাখিবদা মসি জি ২০ লৈবাকশিং অমসুং ইনভাইটি লৈবাকশিংগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরশিং অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসরশিংগা মরী লৈনবা মীটিংনি। মরু ওইনা খন্নরকপা য়াবশিংগী মনুংদা দেমোক্রেসিগী মমা ওইনা ইন্দিয়াগী মরমদা নৈনবা অসিনি। মরম অদুনা পার্লিয়ামেন্টশিংগী স্পিকরশিংনা দেল্লিদা পুন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না খন্ন-নৈনবা অদুদা মরু ওইবা ৱাফম কয়ামরুম খঙদোকপা ঙম্লগনি। জি ২০ ইন্দিয়াগী স্পেসল সেক্রেটরিনা মখা তাখিবদা পার্লিয়ামেন্ট-২০ মীটিং অদুগা ফাংজিন্ননা ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসিগী মমানি হায়বদু উৎপা এক্সিবিসন অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

মীফম অদু অনৌবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংদা পাঙথোক্কদৌরিবসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি। মসি কুমজা ২০১০ দা কানাদানা জি ২০ প্রসিদেন্সি পায়রিঙৈ মনুংদা হৌদোকখিবা জি ২০ গ্রুপকী মাপনশুবা মীটিং ওইরগনি। অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংনা গভর্ণমেন্টশিংবু লমজিং লমতাকপদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌবনা জি ২০ গী মীটিংশিংগী পান্দমদি গ্লোবেল গভর্ণেন্সতা পার্লিয়ামেন্টকী থৌদাং পুশিল্লকপা, মালেমগী কম্মিটমেন্টশিংগী এৱার্নেস হেনগৎহনবা অমসুং পোলিটিকেল ঙাক্লৌ শাগৎহনবগা লোয়ননা হায়রিবশিং অসিবু ইফেক্তিব ওইনা লৈবাক্কী ওইনা থাঙ্গৈশেংবা থৌদোকশিং ওইহনবা অসিনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।



# মীওই অনী হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী এমপি প্রবুনাথ পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে

**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এমপি) অমসুং রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) গী লিদর প্রবুনাথ সিংহবু কুমজা ১৯৯৫ দা মীওই অনী হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

এপেক্স কোর্ট অসিনা লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক্তা লুপা লাক্ষ ১০-১০ গী কম্পেন্সেসন অমসুং থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙখিবা মীওই খুদিংমক্তনা লুপা লাক্ষ ৫-৫ বিহার গভর্ণমেন্ট অমসুং কনভিক্ট অসিনা তোঙান তোঙান্না পীননবসু খঙহনখ্রে।

কোর্ট অসিনা আই পি সিগী সেক্সন ৩০৭ গী মখাদা মী হাৎনবা হোৎনখিবগী ওফেন্সকা মরী লৈননা সিংহদা চহী তরেৎ জেলদা লৈবগী চৈরাকসু পীখি। চয়োল অনীগী মমাঙদা কোর্ট অসিনা কুমজা ১৯৯৫ দা থোকখিবা মীওই অনী হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা সিংহবু কনভিক্সন পীখিবনি।

ট্রায়ল কোর্টনা মঙোন্দা পীখিবা অমসু পটনা হায় কোর্টনা খুদম চাংদম নীংথিনা পুথোকপা ঙমদি হায়রদুনা মহাক মরাল লৈতে হায়না তাখিবা ৱায়েল অদু ককথৎলদুনা এপেক্স কোর্ট অসিনা মহাকপু দব্বল মর্দর কেস অদুগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌখিবনি। মতমদুদা বিহার পিপলস পার্টি (বি পি পি) গী কেন্দিদেট অমা ওইনা মীখল কন্টেষ্ট তৌখিবা সিংহবু কুমজা ১৯৯৫ গী মার্চতা চাপ্রাগী পোল্লিং বুথ অমগী মনাক্তা মীওই অনী মহাক্কী ইঙ্গিৎ মতুং ইন্না ভোট পীখিদবগীদমক্তা হাৎখিবগী মরাল শীখিবনি।



মহাক্কী চৈরাক্কী মতাংদা ঙসি জষ্টিস সঞ্জয় কিষন কোল, জষ্টিস অবোই এস ওকা অমসুং জষ্টিস বিক্রমনাথকী বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং তৌখিবনি। ঙসিগী হিয়ারিং অদুদা জষ্টিস কোলনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবা নত্ত্রগা শিবগী চৈরাক পীবা হায়বা ওপসন অনীদমক লৈ হায়খি।

# প্রসিদেন্ট মুরমুনা নেহরু মেমোরিএলবু প্রাইম মিনিষ্টরস ম্যুজিয়ম হায়না নৌনা মমিং থোন্নবগী অয়াবা পীখ্রে

**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুনা নেহরু মেমোরিএল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি (এন এম এম এল) বু প্রাইম মিনিষ্টরস' ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি (পি এম এল এল) হায়না নৌনা মমিং থোন্দোক্লবগী অয়াবা পীখ্রে।

সেন্টরনা ইস্যু তৌবা গেজেট নোটিফিকেসন অমনা হায়রিবদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৭৭ গী (৩) না পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা প্রসিদেন্টনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (এলোকেসন ওফ বিজিনেস) রুলস, ১৯৬১ এমেন্দ তৌনবা মখাগী রুলশিং অসি শেম্লি।

মখা তানা শেম্লিবা রুলশিং অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (এলোকেসন ওফ বিজিনেস) (৩৭৩ শুবা এমেন্দমেন্ট) রুলস, ২০২৩ কৌবা য়াই।

মখা তানা গেজেট নোটিফিকেসন অদুনা হায়রিবদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (এলোকেসন ওফ বিজিনেস) রুলস, ১৯৬১ দা সেকেন্দ সেদ্যুলগী এন্ট্রি মাপনদা য়াওরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর হায়বা হেদিংগী মখাদা 'নেহরু মেমোরিএল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি' হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি মখাগী ৱাহৈশিং হায়বদি প্রাইম মিনিষ্টরস' ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি হায়বা অসিনা মহুৎ শিল্লগনি।

মমাঙদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মিং ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি অদুদগী লৌথোকখিবগীদমক্তা ওপোজিসন কোংগ্রেসনা সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংলিবা গভর্ণমেন্টবু চৈ থাংখিবনি। মদু লমন খুম্বগী পোলিটিক্সকী মনুং চনবা খোঙথাংনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর কেসি ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা ঐখোয়দা প্রোব্লেম অমত্তা থোকহনগদবা লৈতে। মখোয়গী খোঙথাং অদুগী চৈথেং মখোয়দা লাকচগদবনি। লৈবাক্লা হংলকপা খঙনিংবা পুন্নমক মখোয়না পাউখুম পীগদবনি হায়খি।

# ইন্দিয়াদগী হৌখিবা ইঞ্জিনিয়রনা নাসাগী অনৌবা মূন টু মার্চ প্রোগ্রামগী হেদ ওইরগনি

**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ইন্দিয়াদগী হৌখিবা সোফটৱেয়র অমসুং রোবোটিক্স ইঞ্জিনিয়র অমবু অমেরিকন স্পেস এজেন্সি (নাসা) গী নৌনা পুথোক্লিবা মূন টু মার্চ প্রোগ্রামগী অহানবা হেদ ওইনা খনখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিগা লোয়ননা নাসানা মীওইবা খুন্নাইনা রেদ প্লানেটতা চৎনবগী মথংগী অচৌবা খোঙথাংগীদমক্তা শেম শাননবা থাগী লৈমায়দা মতম শাংনা লৈবা য়ানবগী থৌরাং তৌই। ইন্দিয়াগী হৌখিবা ইঞ্জিনিয়র অমিট ক্ষাত্রিয়ানা খুদক্তগী ওফিস অদুগী অহানবা মকোক ওইনা থবক পায়বা হৌরগনি হায়না এজেন্সি অসিনা চেরোল অমদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা থাদোরকখিবা চেরোল অদুদা এজেন্সি অসিনা মখা তানা হায়রিবদি অনৌবা ওফিস অদু এক্সপ্লোরেসন সিষ্টেমস দিভলপমেন্ট মিশন দিরেক্তরেটতা লৈগনি অমসুং ওফিস অসিনা এসোসিএট এদমিনিষ্ট্রেটর জিম ফ্রিদা রিপোর্ট তৌগনি।

নাসাগী এদমিনিষ্ট্রেটর বিল নেলসন্না চেরোল অমদা হায়রিবদি মূন টু মার্চ প্রোগ্রাম ওফিস অদুনা নাসাবু থৌনা লৈনা থাগী মিশন কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা অহানবা ওইনা মীওইবনা মার্চতা তানবগী মিশনশিং শেম শাবদা মতেং পাঙলগনি। হান্না খঙলমদবশিং থিজিনবগী খ্বাইদগী মতোল লোম্বা মতম অদু হৌজিকমক্লি। অনৌবা ওফিস অসিনা নাসাবু মীওইবা খুন্নাইনা রেদ প্লানেটতা চৎনবগী মথংগী অচৌবা খোঙথাং অদুগীদমক শেম শারিবা মথৌ তারিবা থাগী মিশনশিং পাঙথোক্তুনা মতম শাংনা মীওইবনা থাগী লৈবাক্তা লৈহন্নবগী থৌরাং মায় পাকহনবদা মতেং পাঙলগনি। ক্ষাত্রিয়াগী অনৌবা থৌদাং অদুদা মহাক্লা থা অমসুং মার্চতা মীওইবনা চৎপগী মিশনশিংগী প্লানিং অমসুং ইমপ্লিমেন্টেসনশিংগী প্রোগ্রাম পায়গনি হায়রি।



# য়ুএসতা কোভিদকা মরী লৈননা হোস্পিটালদা পুখৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লে

**ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** য়ুএসতা কালেন মমৈ ওইরকপগী কোভিদকী ইনফেক্সন শন্দোরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মফম শীন থুংনা লায়না অসিগা মরী লৈননা হোস্পিটালদা পুখৎপা অমদি লায়েংবগী চাং চয়োল অমখক্কী মনুংদা চাদা ১৯ রোম হেনগৎলে অমসুং লায়না অসিনা শিংহনবগী চাংনা চাদা ২১ গী মথক্তা হেনগৎলক্লে।

খ্বাইদগী নৌনা সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) গী দেটা মতুং ইন্না চয়োল অমদা মীওই ১০,০০০ ফাওবা কোভিদকা মরী লৈননা হোস্পিটলাইজ তৌখি। কোভিদ কেসশিং হেনগৎলক্লিবা অদুনা মরম ওইদুনা স্কুল, হোস্পিটাল অমসুং বিজিনেস সেন্টর খরদা অমুক হন্না মাস্ক শীজিন্নবা হৌনবা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

সি দি সিগী দিরেক্তর মান্দি কোহেন্না চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়রিবদি কোভিদ অসি ভেক্সিন কাপ্পুবাগী মীওইশিংগী ওইনদি খুদোংথীনিংঙাই ওইদুনা লৈরি। মরু ওইনা মমাঙদা ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈখিদবা অমসুং খরা অহল ওইরবা নত্ত্রগা মশাদা হান্নদগী লায়না কয়া চেনবা মীওইশিংদনা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই।

লায়না অসিগা মরী লৈনবা হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবা মীওই অপুম্বগী চাদা ৭০ রোমদি চহী ৬৫ শুরবশিং অমদি হেন্না অহল ওইরবশিংনা ওইরি হায়না কোহেন্না ফোঙদোকখি।

য়ুএসকী হেল্‌থ ওফিসলশিংনা হৌজিক অনৌবা ভেরিএন্ট অনী হায়বদি য়ুএসতা লায়না অসিগী কেস মশিং য়ামহল্লিবা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট ইজি.৫ (ইরিস) অমসুং বিএ .২.৮৬ তা মীৎয়েং চঙলি। অকোনবগী ভেরিএন্ট অসি লৈবাক অসিদা শন্দোকপা হৌখ্রবনি।

# ইক্কাদোরদা জেলগী ইরাং কনখৎলক্লে, গার্দ ৫০ অমসুং পুলিস ওফিসর তরেৎ হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখ্রে

**ক্বিটো, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ইক্কাদোরদা জেল মনুংগী ইরাংশিং কনখৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী জেল কয়াদা গার্দ ৫০ হেন্না অমসুং পুলিস ওফিসর তরেৎ হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদুগী প্রিজন্স ওথোরিটি (এস এন এ আই) দা টার্গেট তৌদুনা কেপিটেল ক্বিটোদা কার বোম অনী পোকখায়হনখি। কার বোমগী এটেকশিং অদুদা অশোক অপন অমত্তা থোকখিদ্রবসু থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক ফাগৎখি।

ওথোরিটিশিংনা থাজরিবদি থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অমদি লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা জেলশিংগী মনুংদা অমদা পুলিসনা খুৎলায় থিখিবগী লমন খুম্বগী খোঙথাং ওইরম্বা য়াই হায়বসিনি।



ইক্কাদোরগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জুৱান জপাতানা হায়রিবদি ওথোরিটিশিংনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎলি। ঐখোয়না ওফিসলশিংগী সেফতিগী ৱাফম অসি লুনা লৌই। পুং খরগী মমাঙদা ক্বিটোদা হান্না এস এন এ আইনা শীজিন্নখিবা বিল্ডিং অমদা টার্গেট তৌবা বোম অমা পোকখায়রকখি। অনীশুবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু এজেন্সি অসিগী হেদ ক্বার্টর্সতা থোকখিবনি।

পুলিসনা হায়রিবদি অকোনবগী এটেক অদু এক্সপ্লোসিবস য়াওবা গাড়ী অমা শীজিন্নরগা পাঙথোকখিবনি। ক্বিটোগী মেয়র পাবেল মুনোসকী মতুং ইন্না হৌখিবা অহিং চুপ্পা সিটি অদুদা গ্রেনেদ পোকখায়বগী থৌদোকশিংসু থোকখি। ইক্কাদোরদা হৌজিক দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী গেঙশিংগা মরী লৈনবা হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকপদগী রিছোর্স ৱাৎলবা অমসুং মী চিন্না থম্বগী চৎনবী লৈবা লৈবাক অসিগী প্রিজন সিষ্টেমদা চৈথেং চাউনা পীরি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইক্কাদোরগী মী কা হেন্না চিল্লবা জেলশিংদা থোকখিবা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংদা ইনমেট চা কয়া শিখ্রে। লৈবাক অসিদা নার্কো-পোলিটিক্সনা হিরম কয়াদা ইথিল পীবগা লোয়ননা দ্রগকী ওফেন্সশিংদা চেন্নবা মীওইশিং থল্লিবা লৈবাক অসিগী জেলশিংসু পৱারগী মফমশিং ওইরি। তৌইগুম্বসুং জেলশিং অদু হৌজিক কার্টেল অমসুং গেঙ কয়াগী কন্ট্রোল সেন্টরশিংসু ওইরক্লি। মরম অদুনা ইনমেটশিংনা ওথোরিটিশিংনা তৌরিবশিং পাম্লত্তবা মতমদা মখোয়না মদুবু হাৎন শুনবগী ইরাংশিং চত্থদুনা খঙহন্নবা হোৎনৈ।

ইক্কাদোরগী খ্বাইদগী চাউবা পোর্ট অমসুং প্রিজন কমপ্লেক্স লৈরিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি গয়াকিল অসি হান্নদগী হাৎন শুনবগী ইপিসেন্টর ওইদুনা লাক্লবসু কেপিটেল ক্বিটোদসু মী হাৎপগী চাং হেনগৎলক্লি।

# [illegible]

[illegible]

# ফিলিপিন্সতা মিলিসিয়ামেন মঙা হাৎখ্রে সুপর টাইফুন সাওলানা মীওই অমা শিহনখ্রে

**মনিলা, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ঙসি ফিলিপিন্সকী কেপিটেল মনিলাগী খা নোংপোক্তা লৈবা ক্বিজোন প্রোভিন্সতা ন্যু পিপলস আর্মি (এন পি এ) গী রেভেলশিংনি চিংনবশিংনা চথখিবা এম্বুস অমদা ফিলিপিন গভর্ণমেন্টগী মিলিসিয়ামেন মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ অহুম্না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না মিলিটরি স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিলিটরি সাউদর্ন লুজোন কম্মান্দগী স্পোক্সপার্সন দেনিস কানানা হায়রিবদি এটেক অদু টকাৱায়ন টাউনদা এন পি এগী ফাইটর কয়া লৈশিনবগী মতাংদা থিজিন্নবা গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা পেট্রোল্লিং পাঙথোক্লিঙৈ লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা থোকখিবনি।

মিলিসিয়ামেনশিং অদু এন পি এগী রেভেলশিংগী মায়োক্তা চথবা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্সি কেম্পেইন অমদা মিলিটরিবু মতেং পাঙলিবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা সিভিলিয়ান আর্মদ ফোর্স জিওগ্রাফিকেল য়ুনিটকী মেম্বরশিংনি। কানাগী মতুং ইন্না এটেকশিং চথরল্লবা মতুংদা মফমদু থাদোক্তুনা চেনখ্রবা রেভেলশিং অদু তান্ননবগীদমক খুৎ থোক্লরিবা মফম অদুদা অহেনবা ট্রুপশিংসু থাজিনখি।

পনবা য়াবদি, এন পি এগী রেভেলশিংনা কুমজা ১৯৬৯ দগী গভর্ণমেন্ট ট্রুপশিংগা লাম্বেংনদুনা লাক্লিবনি। মখোয়না রুরেল এরিয়াশিংদা হেন্না কন্না এটেক চত্থদুনা লাক্লি অমসুং মিলিটরিগা খুৎ থোক্লদুনসু লাকখিবনি। এন পি এগী মেম্বর ৫০,০০০ রোম ওইদুনা কুমজা ১৯৮০ পরিংগী চহীশিংদা লৈখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা মশিং অদুদগী চাউনা হন্থরক্লে হায়বসি মিলিটরিগী দেটানা উৎলি।

অমরোমদা, সুপর টাইফুন সাওলানা ফিলিপিন্সকী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিং থোকহনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং লৈবাক শীন থুংবগী ওইনা মীওই ৩,৮৭,২৪২ রোমদি ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি সুপর টাইফুন অমা ওইরক্তুনা সাওলানা ফিলিপিন্সকী মপুং ওইবা লুজোন ঈথৎ অমসুং লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তা নোংকন্না চুহনখি অমসুং অকনবা নুংশিৎশিংসু শিৎহনখি।

নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট কাউন্সিলগী মতুং ইন্না হৌজিক মীওই ২১,০০০ হেন্না টেম্পররি সেল্টরশিংদা লৈরি।

টাইফুন সাওলা চয়োল অসিদা লৈবাক অসি থাদোকখ্রবসু হৌজিকসু নোং চুবা লেপ্তুবদগী মেট্রো মনিলা য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

# পাকিষ্টানগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা পেট্রোল, দিজলগী মমলশিং লিটরদা লুপা ৩০০ হেল্লে

**ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** পাকিষ্টানদা ইলেক্ট্রিসিটিগী চাজশিং লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপগী মতাংদা লৈবাক শীন থুংনা পেন্নদবা লৈরিঙৈ মরক্তা পুৱারীদা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং লুপা ৩০০ হেনখিবগা লোয়ননা ফত্ত্রবা শেল থুমগী ফিভম মায়োক্লদুনা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবা হেনগৎহল্লে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর অনৱারুল হক্কাকরগী মখাদা লৈরিবা ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্টনা ঙসি পেট্রোল অমসুং হাই-স্পিদ দিজল (ঐচ এস দি) গী মমলশিং লিটরদা মথংশিংনা লুপা ১৪.৯১ অমসুং লুপা ১৮.৪৪ দা হেনগৎহনখি।

ইনৌ নৌনা মমল হেনগৎহল্লিবা অদুনা মরম ওইদুনা পেট্রোলগী মমল হৌজিক লিটরদা লুপা ৩০৫.৩৬ য়ৌরে অমসুং দিজলগী মমলনা ৩১১.৮৪ য়ৌরে।



পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা চেরোল অমদা হায়রিবদি ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা পেট্রোলিয়মগী মমলশিং হেনগৎলকপা অমদি একচেঞ্জ রেটকী খেন্নবশিংনা মরম ওইদুনা হৌজিক লৈরিবা পেট্রোলিয়ম পোথোকশিংগী মমলশিং রিভাইস তৌনবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

ইলেক্ট্রিসিটিগী বিলশিং ৱাংখৎলকপগা মরী লৈননা হন্দক্তা লৈবাক অসিদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চাউনা চত্থখ্রবনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR/39**
**DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBC & SC**
**1ST FLOOR, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, MANIPUR**

**[illegible] / NOTICE OF OBJECTION**

Imphal, the 25th August, 2023

**No. A/1/2016-OBC & SC (SCC) Pt-I:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Office of the Registrar of Societies for registration under section 4(1) (2) & section 5 of societies Registration Act, 1989 enclosing the documents submitted by "All Manipur Scheduled Caste Association".

Any claims/objections in this matter may be submitted to the undersigned within 15 days from the date of issue of this notice.

HL/P/7654/2

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
Director (OBC & SC)
Government of Manipur

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**[illegible] / NOTIFICATION**

Imphal, the 31st August, 2023

**No. 3(I)/15/2008-HSC(Vol-VI)/8075:** In continuation of this office notification of even no. dated 16-6-2023 and 31-7-2023, it is hereby notified for information to all concerned that the last date of issue and submission of prescribed Application Form for obtaining the Eligibility Certificate for admission in Class-XI/XII during the current academic session, 2023-2024 in the institutions under the Council has been extended upto 15-09-2023 and the rates of fee will remain unchanged.

Further, no student be admitted in Class XI/XII by the concerned Head of institution without Eligibility Certificate and it shall be the sole responsibility of the concerned Head of the institution if such students are admitted without obtaining the aforesaid Eligibility Certificate within the stipulated time. Submission of the enrolment of the students in such cases without the Eligibility Certificates shall be summarily be rejected.

N.B.: *The prescribed Application Form can be downloaded from the website: **http://cohsem.nic.in**.*

HL-B/8295/2

**Sd/- Ch. Biren Singh**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur